পেন্টিং কম্পিটিসন পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): নেসনল হায়দ্রো পৱার কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এন ঐচপি সী) না শীন্দুনা ইনর্জি কঞ্জার্বেসন -২০১৮ হায়বা অসিদা ষ্টেট লেভেল পেন্টিং কম্পিটিসন অমা থা অসিগী ১৪দা রাজ ভবন্দা পাঙথোক্কনি।

খনগৎলবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা কেটেগোরি এ হায়না ক্লাস ফোরদগী সিক্স ফাওবা অমসুং কেটেগোরি বি হায়না ক্লাস সভেন্দগী আইট ফাওবগী মরক্তা কম্পিটিসন অসি পাঙথোক্কদবনি। নেসনল এৱেরনেস প্রোগ্রাম ওন ইনর্জি কঞ্জার্বেসন ২০১৮গী থৌরম অসিদা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নাজমা অকবরালি হেপতুলানা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াগনি। থৌরম অসি অয়ুক পুং ১০দগী হৌদুনা পাঙথোক্কনি হায়না নেসনল লেভেল পেন্টিং কম্পিটিসন ২০১৮গী মেনেজর ঐচ আর কম নোদেল ওফিসর রাজেসকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ফুদ সেফটি টিম্না য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): দিৱালি অমসুং নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগা মরী লৈননা ফুদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দর্দস এনফোর্সমেন্ট ৱিং বিষ্ণুপুরগী দেজিগনেটেদ ওফিসর (এফ এস এ) ৱাই সুরেন্দ্রোনা লুচিংবা টিম অমনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নম্বোল, বিষ্ণুপুর, নিংথৌখোং অমসুং মোইরাং কৈথেলদা য়োল্লিবা মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙাশিং ফোর্মেলিন য়াওব্রা হায়না য়েংশিনবগী দ্রাইভ অমা ঙসি চথখ্রে।

ৱাই সুরেন্দ্রো দেজিগনেটেদ ওফিসর এফ এস এনা লুচিংবা টিম অদুদা য়াওরিবশিংদি ঐচ প্রেমকুমার এফ এস ও, এস সুরেন্দ্রো এফ এস ও বিষ্ণুপুর, দল্লিয়ু অটাশ্বরি সেনিয়র এনালিষ্ট ফুদ টেষ্টিং লেবোরেটরি লম্ফেল অমসুং সবোর্দিনেট ষ্টাফশিংনি। টিম অদুনা ফুদ বিজিনেস ওপরেটরশিংনা য়োল্লিবা চান-থক্নবা পোৎলমশিং অদু ফুদ সেফটিং এন্দ ষ্টেন্দর রেগুলেসন অন্দর এফ এস এ ২০১৬ ভাইওলেট তৌব্রা হায়নসু য়েংশিনখি। লূ নান্না ফমদবা দুকানশিং অমসুং হোটেলশিংদসু লূ নান্না ফম্নবা চেকশিন ৱা ফোঙদোক্লম্বগা লোয়ননা এফ এস এস এ ২০১৬কী সেদ্যুল ফোরগী মখাদা লূ নান্না ফম্নবা পাউতাক পীরমখি হায়রি।

এগজাম হায়দোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা লৌবা বি এ মরিশুবা সেমিষ্টর এগজামিনেসন ২০১৮ মেগী রিজল্ট ঙসি হায়দোক্লে অমসুং রিজল্ট অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী য়েংবা য়াগনি হায়না এম য়ুগী কন্ট্রোল্লর ওফ এগজামিনেসন ইন চার্জ অঙোম নরায়ন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

সেক্রেটরিশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): এন জি কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ইলেক্সন্দা থোকচোম লেনিনবু জেনরেল সেক্রেটরি, শৌগ্রাকপম আর্বিন্দবু ফাইনান্স সেক্রেটরি, তোংব্রম চীংখৈবু গেমস এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরি, খুন্দ্রাকপম জেনিয়াবু মেগাজিন সেক্রেটরি, ফেমস ওইনাম্না দিবেট এন্দ এক্সটেন্সন সেক্রেটরি, কোঞ্জেংবম বিরোদাবু সোসল এন্দ কলচর সেক্রেটরি, থিংবাইজম রোহিটপু বোইজ কম্মনরুম সেক্রেটরি অমসুং দেবোরা ফিজম্বু গর্লস কম্মনরুম ওইনা খনখ্রে হায়রি।

অমেস্কোনা শীন্দুনা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম মপাও জিংসো ভিলেজদা পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ইথনিকেল সোসিও কলচরেল ওর্গেনাইজেসন (অমেস্কো) না শীন্দুনা থা অসিগী ৯ হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা ইরাই নুমিত্তা লৈবাক মীয়ামগী ওইনা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্তা লৈবা মপাও জিংসো ভিলেজদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

অমেস্কোগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি মেরুং মরিংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ১৯৯৩দগী হৌদুনা চহী খুদিংগী অমেস্কোনা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকপগুম চহী অসিগীসু অমেস্কোনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ক্লব, ওর্গেনাইজেসন অমদি মৈরা পায়বী, ফম্নাইবা ফম্নাইবী, লন্নাই মীওই কয়াগী মতেংগা লোয়ননা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসি পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

পীক্লবা চীংলৈপাক্কী ইরমদম মণিপুরদা নিংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী চীংলোন ৯গী মনুংদা খুন্দাদুনা লাক্লিবা কাঙলূপ-ফুরুপ খুদিংমক পাগী পারোল নাইনা চৎখ্রবা খূথাং য়ৈনা তানখ্রবা ইমা অমত্তগী ঈগী ইচিন ইনাও ঙাক্তেনি। কনানা কনাবুসু লমলানবা অমত্তা ওইরমদে। অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওগী মতুংদা শেমখিবা পোলিটিকেলগী পুৱারী পোক্কদবা চহী লিশীং ২ হেনবগী মমাঙদা চীংবুরোই তম্বুরোই পিবুকনুং অমত্তদগী পোকখিবনি হায়রি।

য়েলহৌঙৈদগী লেপ্পা লৈতনা চেন্থরকপা পুৱারীগী ঈচেলদা খুদোংথিবগী ঈরৈদা লাকহৎতুনা অৱাবা কোঙ্গাই খাঙলিঙৈ মীরোল নাইনা মীৱাইরুইঙৈ কাউনরুরে, ৱানরুরে চীংবুরোই তম্বুরোই অনীগী ঈ মরী ওইবগী নুংশি মরী, মচিন মনাও ওইবগী কায়নবা য়াররোইদবা নুংশি ঈচেল ৱাখল তারকপদা ককঙাওনরকই চীংবুরোই তম্বুরোই মচিন মনাও অনী অসি। অদুবু ঙসিদি অদুগুম্বা তানফম অসিদা চঙশিল্লক্লিবা অসিদা অমেস্কোনা চহী খুদিংগী লেপ্পা লৈতনা কুমজা ১৯৯২দগী হৌনা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা শকখঙমীন্নবগী থৌরম অসুম্না চঙশিল্লক্লিবা ঐখোয় কনানা কনাবু নত্তে হায়বগী ৱাখল অমগা অমগা পাও ফাওদোক্নবগী থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অসিগুম্বা কয়া অসিগী মনুংদা ইচেল ইচলশিংবু নীংশিংবা নুমিৎ নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসি পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

মচা নিংঙোলগা মপা মতোন, মখুরাশিংগা লৈনবা মীওইবগী শেংলবা থম্মোয়নুংগী নুংশি মরী পিশক পিল্লিঙৈদগী পলেম পন্থৌগী শাইগোনুংদা চেন্না চোংনা শান্নমিন্নরগা মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্না য়ূম্নাক শাগৈ ওনখ্রবী মচে মচন, মবুং মৌপ্পা অনীগী মীৎলু পিরাং ঈহৌনবা চন্নবা নুংশি মরী অদুবু ঙসিদি পিক্লবা চীংলৈপাক ইরমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ঈ মরীগী ঈচল ইচে ওইরিবী কাঙলূপ ফুরুপ খুদিংমক্কী নিংঙোল ওইবী ইচেল ইচল কয়াবু ঈগী মরী য়েংদুনা ইচেমকনি, ইচলমকনি খন্দুনা কৌগদৌরিবা লৈবাক্কী ওইবা নিংঙোল চাক্কৌবনি। অসুম্না কৌগদৌরিবা ইচেল ইচলশিংবু নীংশিংবা নুমিৎ নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসিদা লেঙবীরক্কদবা ফুরুপ কাঙলূপ খুদিংগী ইচেল, ইচল, ইমা ইবেলশিংনা ইশা ইশাগী ওইবা নাৎকী ওইবা ফিজোল শেৎপীরক্কবা খঙহঞ্জবগা লোয়ননা উহৈ-ৰাহৈ, হৈ-রা পুবিরকপা মতমদা ইশা ইশাগী যূমদা হৌবা পোৎখক্তমক পুবিরক্কবা অমেস্কোনা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক ফাওবদা অমেস্কোনা পোৎকী নৎত্রগা শেলগী তেংবাঙ নীরুবদা হরাউ হরাউনা অঙম অঙম্বা মতেং পাংবীরকপা কাঙলূপ ফুরুপ কয়াগী ইরৈচাশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি। লৈবাক্কী ওইবা থৌরম ওইবনা শেল থুমগী অৰাবা কয়া মায়োক্নরিবা অসিগীদমক মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

সিকোনা নিংঙোল চাক্কৌবগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা মীতৈ নিংঙোলশিংবু সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরে ওর্গেনাইজেসন (সিকো) না য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

সিকোগী জেনরেল সেক্রেটরি কোন্থৌজম খা-ঙানবনা হায়, য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মীতৈশিংগী ইনাৎ, লাইনীং লাইশোন, হরাউ-কুম্মৈ, হৌন-লোনচৎ লৈজরকপদু মতমগী অহোংবা লৈবনা ঐখোয়গী ইনাৎকী মশক খরা অহোংবা লাকপসু য়াওই। অসিগুম্বা অহোংবা লাকখিবা কয়াগী মনুংদা নিংথৌ চন্দ্রকৃতিগী মতমদা নিংঙোল চাক্কৌবগী মরমদা খরা অহোংবা লাকখিবা অসিসু অমনি। মণিপুরদা নত্তনা মবুং-মৌপ্পা, মচন মচে ওইবা হিন্দুগী থৌরমদা কার্তিক থাদা পাঙথোকপা ভাই-দুজ নৎত্রগা যমদ্বিতিয়া হায়নসু খঙনবা মসিবু ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ভাই ফোটা হায়না খঙনবা অসিদা নত্তনা অমুকসু হিন্দুগী শ্রাবন থাগী থানিল নুমিৎতা পাঙথোকপা রক্ষা বন্ধন অসিগুম্বা অসিনা হিন্দু মশেলগী মরক্তা মচিন মৌপ্পা, মচন মচে ওইবগী অফবা মরী তাকপা কুম্মৈনি। অদুবু মোঙ্গোলোইদ মীতৈ ঐখোয়গীসু নিংঙোল চাক্কৌবা হায়বসি মচন-মচে, মচিন মৌপ্পাশিংগা পুন্না চামিন্নবগী থৌরম অমনি। মসি কংলৈচা মীতৈশিংগীদি চহীগী মনুংদা থোকপা তোপ তোপ্পা ব্রদরহুদকী থৌরমনি।

মচিন মনাও পুন্না চামিন থকমিন্নবগী অসিগুম্বা থৌরম অসি মালেমগী ওইনসু য়াম্না অতাঙবা থৌরমনি। ঙসি খুন্নাইগী পুন্সিরোলদা কংলৈ পিবাশিং শেৎন-খায়নরক্তুনা নোংমা নোংমগী মশীং হন্থরকপা অদুগা নাকল অমরোমদনা কংলৈ নিংঙোলশিংগী পুন্সিরোলদা নোংম কাংদনা থোকহৈদবা, তাহৈদবা থৌদোক কয়া থোরক্তুনা মখোয়গী পুন্সি মহিংদা তংদু লৈতারক্তবা কয়া অসি য়েংলুবা তারগদি নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসি মীতৈশিংগী সোসিও কলচরদা য়াম্না ৱাহন্থোক লৈবা, হকচিন্না লৌবা য়াবা অমনি। মমা-মপা, মবুং মৌপ্পা, মরী মতা, ইমুং মনুং অমদি খঙনা চান্নবনা ঙমজবা খরদং হাপ্পীরকপা অদু নিংঙোল ওইবী কংলৈ চনু অমদি মচেশিংনা য়াম্বা য়ামদবা থিদনা হরাউ হরাউনা লৌবীনবা সিকোনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অসি য়াম্না ৱাহন্থোক লৈহনসি। থৌরম অসি মায়কৈ অমরোমদা লান্না পুরোইসি। মরম অদুনা মবুং মৌপ্পাশিংনা অঙন্বা খুদোল পোৎ পীবদা হিদান্নবা, মন্তিক্লবা তৌবীগনু। পোৎ চৈ য়োনবীরিবশিংনু নিংঙোল চাক্কৌবগী মীংদা খুদোংচাবা লৌদুনা পোৎ চৈগী মমল হেনগৎপীগনু হায়রি। ইরমদম য়াওনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা অমদি লৈখ্রবা কংলৈ চনুরাশিং মরু ওইনা মীতৈ নিংঙোলশিংবু লাক্লিবা নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিৎ নবেম্বর ৯, হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা ইরাই নুমিৎনা লাকপদা কংলৈ খুন্নাইগী মীয়ামদা অফবা চাওখৎপা, ঈং তপ্পা, মান্নবা, তংদু লৈতাবা, পুন্সি নুংশাংবা, হিরম খুদিংমক্তা ৱাত্তা পাদবা, মচিন মনাও ওইবগী অফবা মরী হেন্নো চেৎশিন-কনশিনবা পীবীবগা লোয়ননা নুপীগা মরী লৈনবা ৱাথোক কয়াসু তুংদা থোক্তবা ওইরসনু হায়না য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

দিৱালি অমসুং নিংঙোল চাক্কৌবগী পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): দিৱালি অমসুং নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা মণিপুর প্রদেশ তৃণমুল কোংগ্রেস কম্মিটি অমসুং মণিপুর সেক্যুলর দেমোক্রেটিক ফ্রন্টনা পাউজেল পীরক্লি।

মণিপুর প্রদেশ তৃণমুল কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ডা. টি ঐচ ইনাওচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরগী মীয়ামদা মঙালগী কুম্মৈ, দিৱালিনা লাকপদা ফত্তববু অফবনা মায় পাকপগী পাউজেল পীরক্লি।

অমরোমদা নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা মণিপুরগী মীয়ামদা মরুওইনা নিংঙোলশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। কুম্মৈ অনী অসিনা লাকপদা খুন্নাই অসিগী মীওই পূম্নমক্তা চাকহোংঙাহোংবা, নুংশি চান্নবা, ঈং-তপ্পা পুন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা অনৌবা তাঙ্কক অমা লাকপা ওইরসনু। ফেষ্টিবেল অসিনা নুংশিবা, অমত্তা ওইবা অমসুং মালেম পূম্বগী নুংশিনবগী লিচিং অদু শন্দোকপা ওইরসনু হায়রি।

মণিপুর সেক্যুলর দেমোক্রেটিক ফ্রন্টকী কনভেনরনা থোকপা চেরোল অমনসু দিৱালি অমসুং নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মঙালগী কুম্মৈ অসি অফববু ফত্তবনা ঙম্বগী মায় পাকপগী নুংঙাইবা ফোঙদোকপা কুম্মৈনি। অমরোমদা নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা মণিপুরগী মীয়ামদা থোইদোক হেন্দোক্লা নুপী ওইবীশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট লৌমী শিন্মী অপূনবা লূপকী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট লৌমী শিন্মী অপূনবা লূপ (এল এ এল) লীংখৎখিবগী চহী ১৩ শুরকপগী মপোক কুমওন থৌরম ঙরাং নিংথৌখোং খা খুনৌ ব্রাহ্মন মান্দবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পি ঐচ রাজেন্দ্র দিরেক্টর এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট, লৌমী শিন্মী অপূনবা লূপ বিষ্ণুপুরগী প্রসিদেন্ট এম রোবার্ট খুমন, এ এম পি এফ এগী প্রসিদেন্ট এল ধনা, ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হাজবেন্দরি দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট দিরেক্টর ডা. এন জি ইবোতোম্বী অমসুং দি এ ও বিষ্ণুপুর টি ঐচ জয়কুমারনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

হৌজিক হৌজিক লৌমীশিংনা থেংনরিবা অৱাবা অসি মতৌ করম্না কোক্কনি হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা অহল ওইরবা লৌমীশিংদা লৌমী শিন্মী অপূনবা লূপ বিষ্ণুপুরনা অচম্বা খুদোল পোৎশিং পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবা পি ঐচ রাজেন্দ্রনা হায়খি, লৌমীশিংনা লৈঙাক্লা পীরিবা স্কিমশিংগী কান্নবশিং অসি লূপকী খুৎথাংদা লৌনবা হোৎনবনা লৌমীশিংগী অৱাবা খরদি কোকপা ঙম্লগনি।

লৌউ-শিংউবনা মপূং ওইবা শিনফম ওইরিবা ষ্টেট অসিদা লৌমীশিংগী য়াইফবগীদমক লৈঙাক্লা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। লৌমীশিংগী অনৌবা স্কিমশিং পীনবা শেম শাবা লোইশিল্লক্লে। অদুবু লৌমী শাবশিংনা অশেংবা লৌমীশিংগী ফংফম থোকপা রাইট অসি মাঙহনবগুম তৌরিবা অসিনা লমদম অসিগী অশেংবা লৌমীশিংদা চৈথেং পীরি। লৌমীশিংনসু মশা মশাগী ফংফম থোকপা রাইট ফংনবা লূপ শেমদুনা লূপকী খুৎথাংদা লৈঙাক্লা পীরিবা কান্নবশিং অদু লৌহৌন্নসি।

এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতা চৎতুনা মতম মাঙবগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরিবা অদু লূপ শেল্লবদি খরমখৈ কোক্কনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা মীওই কয়ানা তেংবাঙবীরকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কৈবি সনাপাৎতা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা থা অসিগী ৪দা চীংঙামখা য়াংলেম লৈকায়দা লৈবা খুমন্থেম সোমোরজিৎ এলাইজ তোম্বী অমদি খুমন্থেম ওংবী রোবিতা লৈমাগী মচানুপী সিদয়াই চনুগী তরেৎলকশুবা মপোক নুমিৎকী থৌরম হোম অসিদা পাঙথোকখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

লোয়ননা হোম অসিদা লৈরিবা অঙাংশিংগীদমক্তা চেঙ, আলু, কম্বল, খোঙগ্রাও, হাফ জেকেট, ফুল জেকেট, স্বেটর অমদি শমতুগী তুপীনচিংবা পোৎলম কয়া তেংবাঙবীরমখি। থোঙাম থোমাস কৌবা পাখঙমচা অমগা ৱাখল্লোন মান্নবা ইম্ফালগী তোঙান তোঙাবা মফমদগী লাকপা মরুপ মপাং খরনসু হোম অসিগী অঙাংশিংগীদমক্তা খোঙউপ, খোঙ মোজা, বোয় কোলোমনচিংবা পোৎলম কয়া তেংবাঙবীরম্মী হায়রি।

নুমিৎ অসিদা মপোক নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখিবা অমদি তেংবাঙ পোৎলম পীবিরম্বা পুম্নমকপু য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমগী মেনেজিং কম্মিটিগী মেম্বরশিং, ষ্টাফশিং অমদি হোমদা লৈরিবা পুম্নমক্না তৌবীমল খঙবগা উৎপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোম কৈবি সনাপাৎকী সেক্রেটরি এম কে ইলাৱরনা থোকপা চরোল অমনা হায়রি।

এন ঐচ পি সীগী এস্কোর্ট টিমনা শা অমা কল্লবা মতুংদা শিন্নরকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): চাইনিজ ফেরেদ বদজর হায়না কৌবা লোকল নেমদা কবুইনা বাইপুই অমসুং মরিংনা বুংরন হায়না খঙনবা শা মখল অমা নেসনল হায়দ্রো পৱার কোর্পোরেসনগী চীফ এঞ্জিনিয়রগী এস্কোর্ট কাঙবু ওইরিবা সেকেন্দ আই আর বি হোম গার্দ অমসুং ভি দি এফকী কাঙবু অমনা কনবিরক্লবা মতুংদা য়ুনিক ৱাইল্ড লাইভ প্রোটেক্সন কম্মিটিগী ভলন্টিয়রশিংদা শিন্নরকখ্রে হায়রি।

য়ুনিক ৱাইল্ড লাইফ প্রোটেক্সন কম্মিটিগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি ইরেংবম সনাতোন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, শা অসি মশা খরা শোনবনা মরম ওইরগা ইরোইশেম্বদা লৈবা মণিপুর জুলোজিকেল গার্দেনগী ডোক্তরশিংনা লায়েংলবা মতুংদা মখা তানা ওবজার্ভেসনগীদমক থমখ্রে। লোয়ননা মশা খরা ফগৎলকপগা মফম চাবা অমা য়েংলগা থাদোকখ্রগনি হায়রি।

শা অসিবু কনবীদুনা শিন্নবিরকপগীদমক এন ঐচ পি সীগী ওফিসতা লৈরিবা সিক্যুরিটি ইচিন ইনাওবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

শা অসিবু রেস্ক্যু তৌবদা মতেং পাংলকখিবা রামেশ্বর এলাংবম ৱাইল্ড লাইফ ৱার্দেন ইম্ফাল ৱেষ্টপুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মসা লোইশঙ হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): খুরাই পাওনম লৈরক্তা লৈবা কংলৈচাশিং কনবা নুপী লূপকী শঙলেন্দা থা অসিগী ৪গী নুংথিল পুং ২ তাবদা মীফম অমা ফমদুনা নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপকী মসা লোইশঙ অমা হাংদোকখ্রে।

মসা লোইশঙ হাংদোকপগী থৌরম অদুদা অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট ৱাই মেম্মনা প্রসিদেন্ট, খুরাই থরোইজম লৈরক মচিনদা লৈবা অপূনবা নুপী লূপ অমদি পাওনম লৈরক কংলৈচাশিং কনবা লূপ অনীনা পূনশিন্দুনা নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপ মসা লোইশঙ অমা হাংদোকখ্রে।

নৌনা হাংদোক্লিবা মসা লোইশঙ অসিনা লৈবাক্কী ওইবা থৌদোক ৱাথোক লাকপদা শরুক য়ামিন্নবা অমদি লৈকায় লৈকায়শিংদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক য়োল্লিবশিং অসিসু পূন্না থেংনমিন্নবা হায়না মীফম অদুনা কূপ্না খন্নরবা মতুংদা অমত্তা ওইনা য়ানখ্রে।

নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপকী সেক্রেটরি এন রাধামনিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, নৌনা হাংদোক্লবা মসা লোইশঙ অসিগী থৌবুরেল ওইগদবশিংসু খনখ্রে হায়রি।

শক্লাইরবা লৈখিদ্রবা হুইরেম মংলেমগী মফমদা কাউন্সিলনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): শক্লাইরবা আর্টিষ্ট অমসুং ফাগীরোই লৈখিদ্রবা হুইরেম মংলেমগী মফমদা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

লৈখিদ্রবা আর্টিষ্ট হুইরেম মংলেমগী শগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তা লৈবা য়ূমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী চীফ এদভাইজর মোইরাংথেম নরনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলাগী কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট এম পুর্নিমাসি অমসুং ৱারেপ্পা নবা পদ্মশ্রী অমদি কাউন্সিল অসিগী লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট পি ঐচ গুনচন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী লাইফ টাইম সেক্রেটরি শৌগ্রাকপম হেমন্তনা থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা হায়খি, শক্লাইরবা মীওই কয়ানা শুমাং লীলাগীমক্তা চোঙথোরক্তুনা লিলারোয় ওইবিরম্বা ঙাক্তেনি। শুমাং লীলাগী লাইওইখ্রবা লীলারোয়শিংদি লাইগুল্লবা মতিক ময়াই লৈবা ঙাক্তেনি। শুমাং লীলাদা চুম্না থোরক্লগা য়াওবা নত্তে। শুমাং লীলা হায়বা আর্ট ফোর্ম অসিসু হেক্তা মীয়ামবু নুংঙাইনহন্নবা পংশান্দা শান্নবা নত্তে। ঐখোয়গী লোল, কলচর, ত্রেদিসন কন্নবা পূনশিন্নবা হোৎনবনি।

শুমাং লীলা হায়রগা শুমাং লীলাগী শকলোন কয়া অমা লৈখ্রে। মোইরাং পর্ব্ব, দাইলোগ লীলা, ফাগীগী অমদি হৌজিক শান্নরিবা শুমাং লীলা অসি শুমাং কুম্মৈ ওইনা শান্নরকপা ঙাক্তেনি। শুমাং লীলানা যাত্রাৱালি হায়না লৈরম্বা অসিদা শুমাং লীলাসি বেঙ্গোলদগী লাকপনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা চৎনরম্বনি।

লাইওইখ্রবা ইতুখোম্বীনা হায়বীরম্বদা শুমাং লীলাদা যাত্রাৱালি হায়বসিদি লিলোরোয় খুদিংমক যাত্রা ওইবা ঙাক্তেনি। মী অমনা হেক্তা য়াওবদা পকচবা, ফজবা নত্তে। মরম অদুনা অখন্নবা ঙাক্তেনি হায়বিরম্মী। মীপূম খুদিংমক লিলা য়াওবা য়াবা নত্তে। মরম অদুনা শুমাং লীলাগী লীলারোয়শিংবু যাত্রা হায়বগী ৱাহন্থোক পুবা ঙাক্তেনি।

হৌজিক্কী শুমাং লীলাদা শোন্থরক্লিবা অসি অচম্বা মীওই য়াওরকপদগীনি। যাত্রা ওইবা মীওইশিং মশীং হন্থরকপদগীনি। লৈখিদ্রবা হুইরেম মংলেমগুম্বা শক্লাইরবা অঙকপনা থল্লবা শক্লোন পুবা লীলারোয় মথৌ তাই। যাত্রা ওইরবা মহাক্না ঐখোয়গী ইরক্তগী মাঙখিবা হায়বসি মেনশিনবা ঙমদনা লৈহৌরগনি। অরংবা থৱান্মীচাক অমা মাঙখিবনি। মহাক্কী মহুৎ শিন্নবা লৈতবা মরম্না শক্লাইরবগী ৱারীশিং লীরগা মখা তানা খঙহন্নবা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

টি এস এ সদর হিলসনা কৌখিবা নেসনল হায়ৱে বন্দ হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): চাবাং কুট পাঙথোকখিবা নুমিত্তা সপরমৈনা মনাক্তা লামিনথাং কিপগেন কৌবা মীওই অমা গাড়িনা তকপদা শিখিবগী ৱাহৌদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবিয়ু হায়না তকশিল্লদুনা থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (টি এস এ) সাদর হীলসনা নেসনল হায়ৱেদা চথগনি হায়না তৌরম্বা লম্বী থিংবগী খোঙজং অদু তোঙান-তোঙানবা কুম্মৈশিংগী য়েংলগা খোঙফম হন্দোক্নবা ফিরেপ লৌখ্রে।

মোটবুংদা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা টি এস এ সদর হীলসকী সোসল এন্দ কলচর সেক্রেটরি থাংপিমাংনা হায়খি, লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিগা ৱাথোক অসিগী মতাংদা মখল অমত্তগী য়ানবা পুরকপা লৈত্রি। অদুবু কাঙলুপ কয়ানা খুন্দাবা ষ্টেট অসিদা তোঙান-তোঙানবা কুম্মৈশিং পাঙথোক্কদবা লৈবনা মীওইবগী মীনুংসিদা য়ুম্ফম ওইরগা খোঙজং হন্দোক্নবা ফিরেপ লৌরে।

লৈখিদ্রবা লামিনথাংগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং অৱাবা কয়া খাঙলি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, তঙাইফদনা পাঙথোক্কদবা কুম্মৈশিংগী য়েংলগা অৱাবা পুম্নমক নাথৈদুনা থল্লগা খোঙফম হন্দোকপনি। মরাইবকথিরবা লামিনথাংগী ইমুং-মনুংনা অচুম্বা ৱায়েল ফংনবা হোৎনবদা অতৈ অতোপ্পা ফুরুপকী মীওইশিংনসু মীওইবগী মীনুংশিদা য়ুমফম ওইরগা মতেং পাংবিরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

তোঙান-তোঙানবা কুম্মৈশিং লোইরবা মতুংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা করিগুম্বা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্দবা তারবদি মতম খরা হন্দোক্লুরবা টি এস এ সদর হীলসকী খোঙজং মখা তানা চঙশিনগনি হায়নসু মহাক্লা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াবদি, নেসনল হায়ৱে নম্বর টুদা মীওই অমা চবাং কুটকী অহিংদা গাড়ীনা থোল্লম্বদা লৈখিদবগী থৌদোক্লা মরী লৈননা থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন সদর হিলসনা নবেম্বর ৬কী অহিং নোংয়াইদগী নেসনল হায়ৱে ২দা বন্দ কৌনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

মহৈরোয় লূপ অসিনা মমাঙদা থা অসিগী ২দা নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মরাল লৈবা মীওই অদু ফাবিদ্রবদি তোঙান তোঙানবা নেসনল হায়ৱে টুদা বন্দ অমসুং ব্লোকেদনচিংবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্কনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা নেসনল হায়ৱে টুদা বন্দগী খোঙজং চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌখিবদু লৈঙাক্কা য়ানবা পুরকপদগী বন্দগী খোঙজং হন্দোকখিবনি।

চবাং কুটকী অহিংদা ক্বারি লেবর লানমীন্থাং কিপগেন কৌবা সিরোই ভিলেজদগী মীওই অমা গাড়ীনা থোল্লম্বদগী লৈখিদবা অদুগা মরী লৈননা লৈঙাক্তা মরী লৈনবা থবকশিং লৌখৎপীনবা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা কম্পেন্সেসন পীনবা তকশিনখিবনি।

টেক্স বুক নম্বগী এপ্লিকেসন পীরকপা য়াগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী টেক্সবুক নম্বা পাম্বা প্রিন্টিং প্রেসশিং অমদি ফার্মশিংনা মরী লৈনবা এপ্লিকেসন বোসেমগী সেক্রেটরিদা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলকপা য়াগনি হায়রি। বোর্দ অসিনা মাঙজৌননা এপ্রুভ তৌরবা প্রেসশিং অমসুং ফার্মশিংদি অমুক হন্না এপ্লাই তৌরকপগী মথৌ তাদ্রে হায়না বোসেমগী সেক্রেটরি অখাম জয়কুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

নিংঙোল খুদোল পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): শমদ্রেম্বী য়ুথস দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (এস ৱাই দি এ) না শীন্দুনা থা অসিগী ৯ নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৭ তাবদা মীতৈ নিংঙোলশিংবু ইমা হায়না ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা পূক্নিং থৌগৎপগী নিংঙোল খুদোল হায়না মীংথোনবা থৌরম অমা এয়রপোর্ট রোদতা লৈবা চিলদ্রেন আইদিএল হায় স্কুলগী লম্পাক্তা পাঙথোক্কনি হায়রি।

এস ৱাই দি এগী সেক্রেটরি খুন্দ্রাকপম কেপসনন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, মীতৈ নিংঙোলশিংনা লৈবাক খুন্নাইসিগীদমক কৎথোখিবগী থৌনা লিংজেল অদুবু শিংথাবা ওইনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি। মালেমগী লৈবাকশিংনা শকখঙনখিবা থৌদোক ৱাথোকশিংদা শরুক য়াখিবা হীরম খুদিংমক্তা অচুম্বা মায়কৈরোমদা লুচিংবীখিবা কয়াশিংবু শিংথাবগী থৌরম অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

MEEYO COACHING CENTRE (MCC)

Sega Road Konjeng Hazari Leikai (Opp. Sangai Express)

Class Commencing from 20th Nov. 2018

ADMISSION OPEN

REVISION COURSE
FOR CLASS X and XII Sc. and Arts (CBSE)
Class XII (COHSEM)

SPECIAL FEATURES	CLASS TIMING
1. Well experienced faculties from the reputed Institutions.	Morning Shift 5.30 to 7.30
2. Chapterwise test	Evening Shift 3.30 to 5.30
3. Special grand Mock test	
4. Providing probable questions and answers.	

HL-B/4969/6-16Nov.

For more details, Pliz Contact ☎ 7627982316 / 7005025873

ADMISSION OPEN

ENGLISH COACHING

For

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE [Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

HL-P/3661/7/11-9/12

Contact No. ☎ 8974642764